## চাইনাগী মিলিটরি বজেট চাদা ৭-৮ হেনগৎখ্রে

# হান্না হেনগৎখিবা চাংদগী নেম্লবনি : ওফিসল



বৈজিং, মার্চ ০৪ (এজেন্সী) ঃ

চাইনানা লৈবাক অসিগী দিফেন্সকী চাদিং চহী অসিদা চাদা তরেৎতগী নিপান ফাওবা হেনগৎলগনি হায়না ঙসি তোপ ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বৈজিংনা মিলিটরিবু হেন্না ইফিসিয়েন্ট ওইহন্নবা শেল থাদবা হেনগৎহনবগা ইরোয়ননা মালেমদা পৱার পায়খৎলক্লিবা লৈবাক অসিনা মিলিটরি পাঙ্গলসু উৎপা হেনগৎলক্লি অমসুং সাউথ চাইনা সিদা লমগী ক্লেম কয়া তৌরদুনা য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিং অমসুং ৱাশিংটনগা টেন্সন শাগৎলক্লি হায়রি।

"চাইনাগী মিলিটরি বজেট চহী অসিদা মখা তানা হেনগৎখিগনি তৌইগুম্বসুং হেনগৎপগী চাং অদুদি হৌখিবা চহী অমসুং মমাঙগী চহীশিংদা হেনগৎখিবগী চাংশিং অদুদগী হন্থগনি" হায়না কম্যুনিষ্টনা কন্ট্রোল তৌবা পার্লিয়ামেন্টকী নেসনল পিপলস কোংগ্রেস (এন পি সী)গী স্পোক্সপার্সন ফুয়িং হায়খি।

"হেনগৎকদৌরিবদু চাদা তরেৎতগী নিপান ফাওবা ওইগনি" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

"চপ চাবা হেনগৎপগী চাং অদুদি থাংজ নুমিৎতা এন পি সী হাংদোকপা মতমদা লাউথোক্লগনি" হায়না ফুনা পাউমীশিংদা হায়খি।

মিলিটরি বজেট নেম্না হেনগৎলিবসি প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগী মখাদা চাইনানা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ষ্টেন্দিং আর্মি ওইরিবা পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)বু হেন্না ইফিসিয়েট ওইহন্নবা কন্না হোৎনরক্লিঙৈগী তাল্লক্তনি।

লৈবাক অসিনা চহী অসিগী অহৌবদা নৌনা শেমদোক্লবা মিলিটরি ষ্ট্রকচর অমা মালেমদা ফোঙদোকখি। মদুদা আর্মিগী জেনরেল কম্মান্দ অমা লিংবগা লোয়নননা ষ্ট্রেটেজিক মিসাইলশিং য়েংশিন্নবা রোকেট ফোর্স অমসু য়াওরি।

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা জপানবু মায়থিবা পীখিবগী ৭০রকশুবা কুমওনগা মরী লৈননা হৌখিবা চহীদা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা অচৌবা মিলিটরি পেরেদ অমদা প্রসিদেন্টসীনা পার্সনেল মশিং ৩,০০,০০০ লৌথোক্তুনা পি এল এগী সাইজ হন্থরগনি হায়খি। পেরেদ অদুদা কেপিটেলগী অচৌবা লম্বীশিং অদুদা "কেরিয়র-কিল্লর" এন্টি-সিপ বলেষ্টিক মিসাইল দোজন অমা হেনবসু উথোকখি অমসুং ষ্টেট টেলিভিজন্না মিসাইলশিং অদু লাল তৌনরকপা মতমদা হেক্তা শীজিন্নরকপা য়াবা খুৎলাইনি অমসুং সিষ্টেমেটিক ৱারফ্যেরদা চাইনাগী মরু ওইবা খুৎলাইশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লাউথোকখি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি, লিশাং শিংনা চহী কয়ামুক ৱাশিংটননা মালেম অপুন্বদা পৱার ফুদোক্লবগী মরম ওইবা মচাক অমা ওইরকখিবা-এয়রক্রাফট কেরিয়র অমগী মমলগী ফ্রেক্সন অমখক্তমক ওইবা দি এফ-২১দি মিসাইলনা পেসিফিক্কী মিলিটরি বেলেন্স হোংদোকপা ফাওবা ঙমই।

পেরেদ অদুদা প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা হায়খি, চাইনাগী ক্রুপশিংনা মালেমদা পিছ লিংবা হায়বা ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা অচৌবা মিসন অসি পাঙথোক্কনি, নেসনল সিক্যুরিটিবু থম্মোয় শেংনা অশেংবা তৌফম থোকপনি খন্না ঙাক শেনগনি অমসুং করিগুম্বা মতম অমত্তদা অচৌ অরম, অকল-অরিং উৎপনচিংবা অমত্তা তৌরোই।

ফুনা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা ফোঙদোক্লিবা পান্দমশিং অদু ফংনবগীদমক্তা মহাক্কী লৈবাক্না মিলিটরি রিফোর্মশিং পায়খৎলিবনি। চাইনাগী ঙাকশেলগী তঙাইফদবশিং অমসুং নেসনল ইকনমিক্কী ফীভম য়েংদুনা মিলিটরি বজেট লেপ্পী হায়না পল্লদুনা ফুনা হৌখিবা চহীদা চাইনাগী গ্রোথকী চাং চহী ২৫গী মনুংদা খ্বাইদগী শোনবা ওইখি হায়খি।

কুমজা ২০১৫দা চাইনাগী মিলিটরি বজেট চাদা ১০.১ হেনগৎতুনা মতমদুদা দোল্লর বিলিয়ন ১৪১.৪ ওইখি।

"চাইনাগী শেল-থুমগী ফীভমগী চাউখৎপগী চাং নেম্লবসু সী জিনপিংনা পি এল এগী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বগী চাংশিং হেনগৎনবা ৱারেপ লৌরক্কনি" হায়না সিঙ্গাপোরদা লৈবা এম রাজারটনাম স্কুল ওফ ইন্টরনেসনল ষ্টদিজদা রিছার্চর অমা ওইরিবা জেমস চারনা হায়খি।

"রিম্যুনেরেসনগী পেকেজশিং অমসুং লৌথোক্লিবশিং অদুগী কম্পেন্সেসনগীদমক্তা অহেনবা শেনফম চঙগনি।"

চার অমসুং অতে এনালিষ্ট কয়ামরুম্না চাইনাগী থাঙ্গৈশেংবা মিলিটরিগী চাদিং অসি ওফিসল ওইনা ফোঙলিবদুদগী য়াম্না হেল্লমগনি হায়না থাজে।

## পালেষ্টিয়ন নুপী অমনা ইজরেলি লান্মী অমদা কারনা থোমখ্রে

জেরুসালেম, মার্চ ০৪ (এজেন্সী) ঃ

ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা পালেষ্টিনিয়ন নুপী অমনা ইজরেলি লান্মী অমদা মহাক্কী কারনা থোমখ্রে অমসুং নুপী অদু মফমদুদা লৈরিবা ট্রুপশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না ইজরেলি মিলিটরিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক পালেষ্টিনয়নশিং অমসুং ইজরেলিশিংগী মরক্তা ঈরাং কনশিল্লকখিবা থা ৬ শুরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ঈরাং নেমথরকপগী মমি উবা ফংদে অমসুং ফীভম অদুদা হান্নদগী ঈরাং অমুক্তা হেন্না কনখৎলক্কদ্রা হায়বগী নুংনাংবা অমা লৈরে হায়রি। ইরাই নুমিৎকী এটেক অদু ইজরেলি সেট্টলমেন্ট ব্লোক, গ্রুশ ইটজিওনগী মনাক্তা লৈবা মরু ওইবা জঙ্কসন অমদা থোকখিবনি।

হৌখিবা ওক্টোবর থাদগী হৌজিক ফাওবদা পালেষ্টিনিয়ানশিংনা থাঙনা থিবা, নোংমৈ কাপ্পা অমসুং কারনা থেংজিনবদা ইজরেলি ২৮ অমসুং য়ু এসকী সিটিজন অমা শিখ্রে।

অমরোমদা, ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ামদ্রবদা পালেষ্টিনিয়ন ১৭৩ হাৎখ্রে। ইজরেলনদি মখোয় অদু ইজরেলিশিংদা খুৎ থানবা হোৎনরকখিবা ঙাক্তনি হায়রি। মখোয় অয়াম্বদি ইজরেলিশিংগী মায়োক্তা অকনবা প্রোটেষ্টশিং পাঙথোক্ত্রিঙৈ মনুংদা কাপ্পদা শিখিবা ঙাক্তনি হায়রি।

পেলিষ্টিনিয়ন লিদরশিংনা হায়রি, নীংখা তম্বা পালেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা শেম্বগী মায়কৈরোমদা খোঙ থাংজিনবগী মমি অমত্তা তারক্তবদগী খোইরাং খোইশাওনরক্তুনা পালেষ্টিনিয়ন এটেক্করশিং অদুনা মখোয়গী থৌওংশিং অদু চথখিবনি।

অমরোমদা, ইজরেলনা হায়রি মদুদি, মখোয়গী লিদরশিংনা ঈরাং থোক্লবা ইনশিনবদগী অমসুং সোসল মিদিয়াদা ফত্তবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবদগী মীশি-মীনাশিং অদু থোক্লিবনি।

য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট জো বিদেননা থাংজ নুমিৎতগী নুমিৎ ৫নিগী মিদ্দল ইষ্টকী খোঙচৎ অমদা লৈরিঙৈ মতমদা ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু অমসুং পালেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মাহমৌদ অব্বাসকা তোঙান তোঙান্না উনগনি। ইজরেল অমসুং পালেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা য়ু এসনা ৱাতেমদুনা চথখিবা পিছ টোক হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী এপ্রিলদা কায়খিবনি।

## দোনাল্ড তোকহন্নবগী মতম রিপব্লিকান পার্টিদা লৈশিল্লক্লে

ৱাশিংটন, মার্চ ০৪ (এজেন্সী) ঃ



সুপর টুইজদে নুমিৎতা রিপব্লিকানশিংনা ভোট থাদনখিবা ষ্টেট ১১গী মনুংদা ষ্টেট ৭ ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা রিপব্লিকান ফ্রন্টরন্নর দোনাল্ড ট্রম্প শীংথানিংঙাই ওইনা পার্টিগী নোমিনেসনগী মনাক নক্লা চঙশিনখ্রে হায়রি।

সিনেটর টেদ ক্রুজনা ষ্টেট অহুম অদুগা অতোপ্পা রিপব্লিকান মার্কো রুবিওনা ষ্টেট অমখক ফংখ্রে। রিপব্লিকান ইষ্টাব্লিসমেন্ট মনুংদা ট্রম্পবু পামদবা অমসুং হঙ্গোইনবা মীওই কয়া লৈদুনসু, হৌজিক্তি রিয়েল ইষ্টেট মোগল অসিনা পার্টিগী নোমিসেন শেৎতুনা লৌখিবসু য়াই হায়না থাজনরকপা মীশিংগী মশিংসু য়ামখৎলক্লে হায়রি। হৌজিক ট্রম্পপু য়ানিংদবগী লালহৌ অমা রিপব্লিকান মনুংদা লৈরবদি মদুগী ইভিদেন্স করি লৈবগে হায়না হংবা য়াই।

মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা রিপব্লিকান ইষ্টাব্লিসমেন্ট মনুংদা ট্রম্পসু হ্বাইট হাউসকী লমজেলদগী তোকহন্নবা হোৎনবা লৈরে হায়রি। অসুম্না থেংনবশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা অমদি খ্বাইদগী ঈকায় খুম্নরিবা কঞ্জাভেটিব মেগজিন অমনা মহাক্কী মরমদা অমসুং মহাক্না পার্টিগী নোমিনি ওইবদা চুনরোইদবগী মতাংদা মপুং ফাবা ইদিসন অমা ফাওবা পুথোকখ্রে হায়রি।

মেগাজিন অদুগী মতুং ইন্না, পার্টিগী অহল ওইরবা লুচিংবা মিট রুমনিনা মীয়াম্না কেন্দিদেট অমখক্তমক শৌগৎচবা ঙম্নবা মনিং চেনবা কেন্দি-দেটশিং নোমিনেসনগী লমজেল অদুদগী লৈহৌনবা তকশিনখ্রে।

নেব্রাস্কাদগী থাগৎলকপা রিপব্লিকান অমা ওইরিবা সিনেটর বেন সাসিনা ট্রম্পকী সপোর্টরশিংদা অফোংবা অইবা চেরোল অমা থাদুনা করিগুম্বা রিয়েল ষ্টেট মোগল অদুনা পার্টিগী নোমিনি ওইরকপা তারবদি মহাক্না করিগীদমক্তা ট্রম্পপু শৌগৎলোইদৌরিবনো হায়বগী মতাংদা কুপ্পা খঙহনখ্রে হায়রি।

"করিগুম্বা দোনাল্ড ট্রম্পনা রিপব্লিকানগী নোমিনি ওইরকপা তারবদি কঞ্জার্ভেটিবশিংনা তঙাইফদনা অহুমশুবা মীশক অমা থিবা তঙাইফরক্লোই" হায়না মহাক্না হায়খি।

সিনেটর মার্কো রুবিওগী মায়কৈদগীসু ট্রম্পপু কনামক্তনা শৌগৎহন্দনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংখি হায়রি। হাউসকী স্পিকর পোল র্যান অমসুং সিনেট মেজোরিটি লিদর মিটে মেককোন্নেল য়াওনা কেপিটোল হিলগী রিপব্লিকান লিদরশিংনা ট্রম্পকী মরমদা মখোয়না নুংনাংলিবা ৱাফমশিং ফোংনা ফোংদোক্লখ্রে। লিদরশিং অসিনা অসুম্না তৌরক্লবসি ট্রম্পনা হান্নগী কে কে লিদর অমা খঙই হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদনি।

করিগীদক্তা মখোয়না ট্রম্পপু পামদ্রিবনো? আইদিওলোজিকেল রিপব্লিকানশিংনা দোনাল্ড ট্রম্প অশেংবা কঞ্জার্ভেটিব অমা নত্তে, শুপ্পগী পোপ্যুলিষ্ট সোমেন অমনি হায়না লৌই। মখোয়না হায়রি মদুদি মরু ওইবা ইস্যুশিং হায়বদি এবোর্সন, ট্রেদ, হেল্থক্যের অমসুং ইম্মিগ্রেসনগী মতাংদা ট্রম্পনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং থাঙ্গৈশেংবা কঞ্জার্ভেটিবকী প্রিন্সিপলশিংগা চান্নদে।

কঞ্জার্ভেটিব লিদর কয়ানা ট্রম্পকী কা হেন্না মুকচৎনবা অমসুং করিগুম্বা মতমদা মহাক্না অকনবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া শীজিন্নবনা পার্টিগী ইমেজদা চাউনা অকায়বা পীরে হায়না লৌনৈ। কোংগ্রেসতা লৈরিবা পার্টি লিদর কয়ানা নবেম্বরগী মীখলদা ট্রম্পনা মখোয়গী রিইলেক্সনগী খুদোংচাবা মাঙহনখিবা য়াই হায়না অকিবা ফোঙদোক্লরি।

## ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইশিং শীজিন্নবা য়ানবা মওংদা শেম-শাদুনা থমগদবনি : কিম জোং উন



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ০৪ (এজেন্সী) ঃ

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম ফেল ওইহন্নবগীদমক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ভোট লৌনবা ফাওবা লাকখিবা মতুংদা লৈবাক অসিনা মিলিটরি মসলশিং উৎপা হৌজিকসু লেপ্পা লৈত্রি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উননা হায়খি, লৈবা অদুগী ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদশিং মতম অমদা হেক্তা শীজিন্নবা য়ানবা শেম-শাদুনা লৈবা চঙই। নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী কে সী এন এনা ঙসি ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা উনগী ৱারোল অসি য়াওরকখিবনি।

"য়ু এস ইম্পেরিয়েলিষ্টনা মিলিটরিগী ঈথিলবু শেরান্নবা অমসুং মাঙ তাক্লবগী ফীভম হৌনবা কন্না প্রেসর পীরকপদগী ওইরক্লিবা য়াম্না লুবা ফীভম অসিদা ঐখোয়গী মীয়াম্না সোভরেন্টি অমসুং হিংনবগী রাইটশিং ঙাক্লনবা পায়খৎকন্দবা অমত্তা ঙাইরবা খোঙথাংদি ন্যুক্লিয়ার পৱারগী ক্বালিটি অমসুং ক্বান্টিটি হেনগৎনবা অমসুং বেলেন্স এন্দ পৱার কাইহন্দনবা হোৎনবদনি" হায়না কিমনা হায়খি হায়রি।

ন্যুজ এজেন্সী অদুনা অচৌবা মল্টিপল লোঞ্চ রোকেট সিষ্টেম অমা কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখ্রে হায়বসু কনফার্ম তৌখি। চাংয়েং অদু সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফনা হান্না লাউথোকখিবা সোর্ট রেঞ্জ প্রোজে-ক্টাইলশিংগী চাংয়েং অদুগা মান্নব্রা হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমখিদে।

"রোকেট কয়া অমসুং প্রোজেক্টাইলশিং চাংয়েং তৌবগী রিপোর্টশিংদু ঐখোয় খঙলে। লমদম অদুদা লৈরিবা ঐখোয়গী মীচঙশিংগা লোয়ননা ঐখোয়না কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা ওইরক্লিবা ফীভম অদু চেকশিন্না মোনিটর তৌরি" হায়না ইরাই নুমিৎকী পাউশিং অদুগী পাউখুম ওইনা পেন্টাগোন্না হায়খি।

"ঐখোয়না নোর্থ কোরিয়াদা টেন্সন হেনগৎকদবা কায়হৌবগী থবকশিং পায়খৎতনবা অমসুং মদুগী মহুত্তা মালেমদা তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লনবা তকশিল্লি" হায়না পেন্টাগোনগী ৱারোল অদুনা মখা তাখি।

ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইশিংগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়াগী চাংয়েংদি তৌথোক্ত্রিবা কেপেবিলিটি অমা লৈ হায়না থাজনৈ। হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এসকী ওফিসল অমনা সী এন এনগী বারবারা ষ্টারদা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী রেজিমনা পীকশিনহল্লবা ন্যুক্লিয়ার দিভাইস (হাইড্রোজেন বোম) অমা চাংয়েং তৌখ্রে। ৱাফম অসিগী মতাংদা য়ু এসকী ওফিসলশিংগী ৱাখল্লোনদি মখোয়না নোর্থ কোরিয়াগী ক্লেম অদু ভেরিফাইদ তৌদ্রবসু চুমই হায়না লৌই মরমদি মখোয়না মদু অতৈ লৈবাকশিংদা ময়াই তাথনা খলহনবা ঙম্লোই।

নোর্থ কোরিয়ানা অশানবা মিসাইলশিং চাংয়েং তৌখ্রে তৌইগুম্বসুং মপুং ফানদি নত্তে। খুদম ওইনা, মখোয়না মিসাইল রি-ইন্ট্রিগী চাংয়েংদি পাঙথোক্ত্রি। অহেনবদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমদি, নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক ফাওবা অশানবা মিসাইল অমদা ন্যুক্লিয়ার দিভাইস হাপচিল্লগা য়েংদ্রিবা অসিনি হায়রি। নোর্থ কোরিয়ানা মদু অহানবদা চাংয়েং তৌদবীদা হেক্তা শীজিন্নবগী ৱাফম্লা হায়বদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খঙবা ঙমদে হায়রি।

"হৌজিক লৈরিবা থ্রেটতি কন্না কন্না ঙাংদুনা পংকিদা কিহনবগী থৌওং অমা লৈরে হায়না ঐহাক্না লৌই" হায়না ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই থাদোকহন্নবা হোৎনবদা গ্রুপ অমা ওইরিবা প্লফসেয়র্স ফন্দগী ইগজিক্যুটিব দিরেক্টর ফিলিপ য়ুননা হায়খি।

"থ্রেট অমা থবক্তা ওন্থোক্কে হায়রবদি কেপেবিলিটিসু লৈগদবনি। ঐহাক্কী ৱাখলদদি মখোয়দা অনীমক লৈ হায়না থাজদে" হায়না ফিলিপ য়ুননা মখা তাখি।

## টর্কিগী পি এম ইরানদা চৎলগনি

অঙ্করা, মার্চ ০৪ (এজেন্সী) ঃ

সিরিয়া অমসুং ইরাক্কী ৱাথোকশিংগী মতাংদা য়ুল্লোন্নরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা মোত তিন্নদবা হেনগৎলক্লিবদু লৈখায় তাথোক্লবা অমসুং লৈবাক অনীগী মরী ফঙাৎহন্নবগী পান্দমদা টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর অহমত দাভুতোগলুনা ইরানদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ওফিসল খোঙচৎ অমা চৎলগনি হায়রি।

ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদগী হৌনবা চাউরাক্লা মতম লেপ্পবা খোঙচৎ অদু য়ু এনগী সিরিয়া পাউখোল্লোই ষ্টাফান দে মিষ্টুরানা হোৎনদুনা লাক্লিবা মার্চ ৯দা জিনেভাদা পিছ টোককী রাউন্দ অমা পাঙথোক্কদৌরিবসিগী মাঙওইননা চৎকদৌরিবনি। টর্কিনা সিরিয়াগী ওপোজিসন রেবেল ফোর্সশিংবু শৌগৎলি অমসুং প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী রেজিমবু চৎন-পথাপকী মায়োক্তা লৈবা রেজিম অমনি হায়না লৌই। অমরোমদা, রশিয়াগা লোয়ননা ইরাননা অশাদপু শৌগৎলি অমসুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা মিলিটরি বেকিং পী।

"টর্কি অমসুং ইরান অনীমক্লা অমনা অমবু তঙাইফনদে মরমদি মখোয়গী য়ুল্লোন কৈরোন্নবদা থোক্লিবশিং অদুনা মখোয়দসু চৈথেং পী" হায়না অঙ্করাদা বেজ তৌবা গাজি য়ুনিভর্সিটিদা ইন্টরনেসনল রিলেসন্সকী প্রোফেসার ওইরিবা মেহমত সেফেটিন ইরোলনা জিনহুৱাদা ফোঙদোকখি।

"অচৌবা পৱারশিংনা সিরিয়া, টর্কি, অমসুং ইরানগী মতাংদা পিচ টোক চথুনবা শেম-শানখিবগা লোয়ননা রিজনেল হেভিৱেইট অনীসু লৌথুপ লৌকোইবা লৈনদনা ৱারী শানবা ঙম্বা তাবনি" হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা টর্কিগী ফোরন মিনিষ্টর মেভলুত কাভুসোগলুনা পার্লিয়ামেন্টদা ফোঙদোকখিবা অমদা রিজনেল ৱাফমশিংগী মতাংদা লৈবাক অনীমক্কী তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংশিং লৈনৈ হায়খিবনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### TSECL RECRUITMENT 2016 – 69 JUNIOR OPERATOR POSTS

TSECL Recruitment 2016 – 69 Junior Operator Posts: Tripura State Electricity Corporation Limited (TSECL) has released notification for the recruitment of 69 Junior Operator vacancies. Eligible candidates may apply in the prescribed application format on or before 31-03-2016. Other details like age limit, educational qualification, selection process, application, how to apply are given below…

**TSECL Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 69**
**Name of the Post: Junior Operator**
1. UR: 36 Posts
2. SC: 10 Posts
3. ST: 23 Posts

**Age Limit:** Candidates maximum age should be 40 years as on 31-03-2016. Age relaxation is applicable 5 years for SC/ ST candidates as per rules.
**Educational Qualification:** Candidates should possess Madhyamik Passed with I.T.I passed in Electrical Trade (Two years Course recognized by the Govt. of India).
**Selection Process**: Candidates will be selected based on interview.
**How to Apply:** Eligible candidates may send their application in the prescribed format along with all attested copies of relevant documents to the Chairman-cum-Managing Director, Tripura State Electricity Corporation Ltd., Bidyut Bhavan, North Banamalipur, Agartala, Tripura (West), PIN-799001 on or before 31-03-2016.
**Last Date for Submission of Application: 31-03-2016.**

### DIBRUGARH UNIVERSITY RECRUITMENT 2016 – TEACHING & NON TEACHING POSTS

**Dibrugarh University Recruitment 2016 – Producer, Jr Research Officer & Other Posts:** Dibrugarh University has published notification for the recruitment of Producer, Junior Research Officer, Engineer Grade-I, Cameraman, Section Officer-Administration, Production Assistant & other vacancies on temporary & contractual basis. Eligible candidates may apply in prescribed application format on or before 16-03-2016. Other information like age limit, educational qualification, selection process & how to apply are given below…

**Dibrugarh University Vacancy Details:**
**Name of the Posts:**
1. Producer: 01 Post
2. Junior Research Officer: 01 Post
3. Engineer Grade-I: 01 Post
4. Cameraman: 01 Post
5. Section Officer -Administration
6. Production Assistant: 01 Post
7. Professional Assistant (Library): 01 Post
8. Technical Assistant: 01 Post
9. Accounts Assistant: 01 Post
10. Personal Assistant: 01 Post
11. Driver-cum-Helper: 01 Post
12. Peon: 01 Post
13. Senior Instructor (Computer Science): 01 Post
14. Junior Instructor (Carpentry Shop): 01 Post
15. Junior Instructor (Electrical Shop): 01 Post

**Age Limit:** Candidates age limit should be between 18 – 38 years as on 01-01-2016. Relaxation of age will be applicable as per rules.
**Educational Qualification:** Candidates should possess Master's Degree in any subject or Bachelors Degree in Engineering with relevant experience for Post No. 01, 02 & 06, B.E./ B.Tech. in Electronics & Communication Engineering/ Electronics Engineering for Post No. 03, 12th class with 03 years Diploma in Video Production/ Cinematography from a recognized institute or 12th class with 03 years experience in broadcast quality video camera work for Post No. 04, second class Bachelor's Degree/ Master's Degree in any subject preferably with Degree in law or Post-Graduation Diploma in personnel management for Post No. 05 & other qualification details refer the notification.
**Selection Process:** Candidates will be selected based on interview.
**Application Fee:** Candidates should pay Rs. 500/- for Post No. 01 to 05, Rs. 300/- for Post No. 06 to 12 and Rs. 100/- for Post No. 13 to 15 by demand draft in favour of the Registrar, Dibrugarh University, Dibrugarh payable at Punjab National Bank, Dibrugarh University Branch (Code: 994000), Dibrugarh.
**How to Apply:** Eligible candidates may send their application in prescribed format with necessary documents and demand draft to Dibrugarh University, Dibrugarh – 786 004, Assam on or before 16-03-2016.
**Last Date for Receipt of Application: 16-03-2016.**

### ASTEC RECRUITMENT 2016 – LOWER DIVISION ASSISTANT CUM TYPIST POSTS

**ASTEC Recruitment 2016 – Lower Division Assistant cum Typist Posts:** Assam Science Technology & Environment Council (ASTEC) has advertised a notification for the recruitment of Lower Division Assistant cum Typist vacancies. Eligible candidates can apply in the prescribed format on or before 14-03-2016 till 04.00 PM. Other details like age, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**Assam Science Technology & Environment Council Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 03**
**Name of the Post: Lower Division Assistant cum Typist**
**Age Limit:** Candidates age should be between 18-38 years as on 01-01-2016. Age relaxation is 5 years for SC/ ST Candidates.
**Educational Qualification:** Candidates should possess Bachelor Degree in Arts/ Science/ Commerce from any UGC/ AICTE approved/ recognized universities, have practical knowledge of Computer on MS Office adn Computer typing in English and Assamese language and Net surfing with relevant experience.
**Selection Process:** Candidates will be selected based on their performance in Written Test, Practical Test, Computer Skill Test and Oral Interview.
**How to Apply:** Eligible candidates can send their application in the prescribed format along with 3 recent passport size photographs, self certified photocopies of all testimonials, one self addressed envelope of 12 cm x 25 cm size postage stamp and in an envelope should be superscribed as "Application for the Post of "Lower Division Assitt"" to The Director, ASTE Council, Bigyan Bhawan, G.S. Road, Guwahati- 781005 on or before 14-03-2016 till 04.00 PM.
**Last Date for receipt of Application: 14-03-2016 till 04.00 PM.**